# জেদ এফ সি চুডাচান্দপুর অমদি ট্রুগপু নম্বোল প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ট্রুগপু নম্বোলগী কেপ্টেন ৱাই ইনাওদগী উপা ক্যামগৈগী এ কে প্রদিপকুমারনা বোল মুন্দুনা পুখিবা।

FOOTBALL

**TODAY MATCH**
TRAU vs ESU (11.30 AM)
YDO vs MPSC (1.30 PM)

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ঃ* ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৫৭ শুবা সার চুডাচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ঈ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা জেদ এফ সি চুডাচান্দপুর অমদি ট্রুগপু নম্বোল মায় পাক্তুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা জেদ এফ সি চুডাচান্দপুরনা না ক্লাসা কৈনৌবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

জেদ এফ সিগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু হেলুন হাওকিপ্পা ২৪ অমসুং ৫৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। ক্লাসাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ননাও তোইজম্না ৭৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। ক্লাসাগী ননাও তোইজম, জিটেন, জেদ এফ সিগী ঙুলখোসিয়াম অমদি মাঙখোলেন কিপগেন্দা রেফ্রিনা মথংশিংনা ১১, ৮৬, ৮৮ অমদি এদিস্নেল টাইমগী ২ শুবা মিনিট (৯২) দা য়েল্লো কার্ড অমমম বুক তৌখি।

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা ট্রুগপু নম্বোলনা উপা ক্যামগৈবু গোল ৮–২ দা চাওনা মায়থীবা পীরগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। ট্রুগপুগী গোলশিং

**57TH CC MEET FOOTBALL**

অদু এম্হোনি কবুইনা ৫ অমদি ১৩ শুবা মিনিটতা অনী, ঐচ বিরজিৎনা ৪২ অমদি এদিস্নেল টাইমগী অনীশুবা মিনিট (৯২) দা অনী, সি ঐচ ওজিৎনা ৭৯ অমদি ৮৮ শুবা মিনিটতা ২, উপাগী এল সঞ্জিৎনা ৫৫ শুবা মিনিটতা আউন গোল অমা অমদি কেনেট চিরুনা ৫৮ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি।

উপাগী গোল অনী অদুনা শান্তনু মৈতৈ অমদি এ কে প্রদিপকুমারনা ২৬ অমসুং ৭০ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

## পালমৈপুই কমাউপি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# নমগুইলোং অমদি সাইরেম ফাইনেলদা থেংনরগনি

FOOTBALL

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ঃ* নমগুইলোং অমদি সাইরেমনা অহানবা পালমৈপুই কমাউপি মেমোরিয়েল জেলিয়ারোং সিক্স এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ফাইনেলদা থা অসিগী ২৪ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা থেংনরগনি।

শওম্বুং সাইরেম য়ুঠ ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা নমগুইলোংনা দুইগাইপাংজাংবু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি।

নমগুইলোংগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু গোলমৈ, দাইসিঙম অমদি ৱিল্লিয়ম্না মথংশিংনা ১৯, ২০ অমদি ৪১ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। দুইগাইপাংজাংগী গোল ২ অদুনা মৈজিংলোং অমদি বেঞ্জামিননা ৩৪ অমসুং ৪৩ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

নমগুইলোংগী অনীশুবা গোল চনখিবা দাইসিঙম, সঞ্জোয় অমসুং দুইগাইপাংজাংগী বেগিয়োদা রেফ্রিনা ২০, ২৮ অমসুং ৬ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্ড অমমম পীখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সাইরেম্না কাখুলোংবু টাই ব্রেক্তা গোল ৮–৭ তা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখ্রে। টিম অনীমক্না অপীবা মতমগী মনুংদা গোল ৪–৪ চন্নদুনা লৈনবদগী টাই ব্রেক্না মেটচ অদুগী মরাইবক লেপ্পখিবনি।

অপীবা মতমগী সাইরেমগী গোলশিং এম্হোনিনা ১৯ অমদি ৩২ শুবা মিনিটতা ২, লানরাইলুং অমদি পৌপাংগাইনা ৪০ অমসুং ৪২ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। কাখুলোংগী গোলশিং অদুনা গান্ধিনা ১৫ অমদি ১৬ শুবা মিনিটতা ২, লানজাংমৈ অমদি অঙাংপুনা ১২ অমসুং ৩১ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

টাই ব্রেক কাওনখিবদা সাইরেম্না গোল ৪ অমদি কাখুলোংনা গোল ৩ চনখি। সাইরেমগী গোলশিং অদু এম্হোনি, লাওরাইলুং, লনচালুং অমদি রম্বোনা চনখিবনি। কাখুলোংগী গোলশিং অদুনা লানজাংমৈ, অঙাংপু অমদি বোরিসনা চনখিবনি।

# চেম্পিয়ন্স লীগতা এৱে গোলগী নিয়ম অসি লৌথোকহন্নিংই ঃ ৱেঙগর



আর্সনেলগী মেনেজর অরসিন ৱেঙগর।

*সিদনি, দিসেম্বর ২২ঃ* আর্সনেলগী মেনেজর অরসিন ৱেঙগরনা য়ুরোপিয়ান ফুটবোলগী রুলিং বোদি ওইরিবা য়ু ঈ এফ এদা হোম এণ্ড এৱে গোলগী নিয়ম অসি লৌথোকহনিংই হায়না ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসি চেনেভাদা পাঙথোকখিবা ক্লবশিংগী মেনেজর মিনিটং অমদা ৱেঙগরনা ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি মহাক্কী টিম্না মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন লীগতা হায়রিবা নিয়ম অসিনা মরম ওইরদুনা নোক আউট রাউন্দ চঙবা ঙমহৌখিদে। মমাংগী সিজন অদুদা আর্সনেলগা বেয়র মুনিকপু এলিয়াঞ্জ এরেনাদা শান্নখিবা মেটচতা গোল ২–০ দা মায়থীবা পীরবসু মমাংগী মেটচতা আর্সনেলগী বেয়র মুনিক্কী মখুৎতা গেল ৩–১ দা মায়থীহৌবনা এৱে গোলগী নিয়মগী মতুং ইন্না প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমহৌখিদবনি।

হন্দক্কী সিজন অসিগী ওইনসু আর্সনেলগী জর্ম্মনিগী ক্লব অমা ওইরিবা বেয়র মুনিক্কা চেম্পিয়ন্স লীগকী প্রি–ক্বাটর ফাইনেলদা থেংনরগনি।

ৱেঙগরনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী ৱাহং অসিনা মীওই খরদদি অঙকপা ফাওরমগনি অদুবু হায়রিবা নিয়ম অসিনা মোর্দন গেমশিংদা খুদোংচাদবা কয়া অমা থোরকপা য়াই। হায়রিবা নিয়ম অসিগী টিমশিংনা কাউন্টর এফেক্ট ওইনা মখোয়গী হোম প্লেশিংদা শিজিন্নরি লোয়ননা হায়রিবা নিয়ম অসি য়ানিংদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

আর্সনেলনা হয়েং বাক্লে প্রেমিয়র লীগকী মেটচ ওইনা চেলসিগা শান্নগদৌরি। লোয়ননা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী হোম মেটচ ওইনা শান্নখিবদা গোল ৬–৩ দা চাওনা মায়থীবা নংখ্রবনি।

# রবিচন্দ্র ফুটবোলগী অহানবা মেটচতা লিজবোন মায় পাকখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ঃ* এব রবিচন্দ্র ট্রষ্ট ক্যামগৈ, ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা ঙসিদগী ক্যামগৈ আইদিয়েল হায় স্কুল গ্রাউন্দদা হৌখিবা ৫ শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী অহানবা মেটচতা লিজবোন লুৱাংশংবম্না এস এস সি সেক্তাবু গোল ৬–৪ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ২৩ না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিস্তা চথ্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচ অদুগী লিজবোনগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কিষন, হেরোজিৎ অমদি জেকিচাননা ২২, ২৮, ২৫ , ৫২, ৩৬ অমদি ৩৮ শুবা মিনিটতা অনী / অনী চনখিবনি। এস এস সিগী গোলশিং অদুনা দব্লিউ ঙৌবনা ১৭ অমদি ১৯ শুবা মিনিটতা অনী অমসুং তামোচৌনা ৩৯ অমসুং ৫৯ শুবা মিনিটতা ২ চনখিবনি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ১ অমা তাবা মতমদা আই এফ টি সোইবম লৈকাইগা পি এল এল বাসিখোংগা শান্নগনি।

## ৩৩ শুবা ষ্টেট ওপন টেন্নিস চেম্পিয়নসিপ

# প্রেমজিৎ অমদি বন্তিনা মেন্স অমসুং ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী টাইতল লৌখ্রে



ৱুমেন্স অমদি মেন্স সিঙ্গলসকী টাইতল লৌখ্রবা সি ঐচ বন্তি অমসুং এন প্রেমজিৎ।

TENNIS

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ঃ* এন প্রেমজিৎ অমদি সি ঐচ বন্তিনা ৩৩ শুবা ষ্টেট ওপন টেন্নিস চেম্পিয়নসিপ ২০১৩ গী মেন্স অমসুং ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী টাইতল লৌখ্রে।

মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা টেন্নিস কোর্টতা শান্নরোই ১০৫ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা চেম্পিয়নসিপ ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা রুরেল দিভেলপমেন্ট এণ্ড পঞ্চায়টি রাজকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি বারুন মিত্রা (আই এ এস)না চীফ গেষ্ট ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েম্হোকখি।

মেন্স সিঙ্গলসকী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এন প্রেমজিৎনা টি ব্রোজেন্দ্রোবু সেট ২–০ (৬–৩, ৬–২) দা, ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদনা সি ঐচ বন্তিনা ঐচ পুজাবু সেট ২–০ (৬–২, ৬–১) দা মায়থীবা পীরগা টাইতল লৌখিবনি। চহী ১৪ মখা নুপামচাগী শান্নখিবা সিঙ্গলস ফাইনেলদা লুচিং লুক্রাম্না টি ঐচ রজিপ্পু সেট ২–০ (৬–২, ৬–৩) দা অমদি মেন্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা টি ব্রোজেন্দ্রো অমদি দেবাস্করগী জুরানা ৱাই লেলেঞ্জি অমদি এন প্রেমজিৎকী জুরাবু সেট ২–০ (৬–৩, ৬–৪) দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর অমদি রন্নর্সঅপ ওইখি।

চহী ১০ মখা নুপামচাগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপনা পারস লুক্রাম অমসুং রাহুল পামৈনা ওইখি।

চহী কাংলুপ অসিগী নুপীমচাগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপনা এল বিন্দিয়ারানি অমসুং এন চার্মিনা ওইখি। চহী ১২ মখা নুপামচাগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপনা রাহুল পামৈ অমসুং টি ঐচ রজিপনা ওইখি।

চহী কাংলুপ অসিগী নুপীমচাগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপনা কটাজিনলু গোলমৈ অমসুং এন চার্মিনা ওইখি। চহী ১৪ মখা নুপামচাগী ৱিন্নর অমসুং রন্নর্স অপনা টি ঐচ রজিপ অমসুং লুচিং লুক্রাম্না ওইখি।

চহী কাংলুপ অসিগী নুপীমচাগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপনা কাটাজিনলু গোলমৈ অমসুং সি ঐচ বন্তিনা ওইখি।

চহী ৪৫ মথক্কী ভেটরান দবলসকী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপনা এন দিলিপ অমদি টুলেশ্বরগী জুরা অমসুং ডাঃ প্রিতম অমদি রামকুমারগী জুরানা ওইখি।

চহী ৫৫ মথক্কী ভেটরান দবলসকী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপনা বোয়েন সিংহ অমদি টি জোয়গী জুরা অমসুং কালা অমদি দিগেনগী জুরানা ওইখি।

# মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

VOLLEY BALL

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ঃ* ময়াং ইম্ফাল খুমন য়ুঠ এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙসিদগী খুমন মিনি ষ্টেদিয়মদা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে এল এল কে ময়াং ইম্ফালনা এন ৱাই ভি এ নম্বোল নাওরেম্বু সেট ৩–১ (১৮–২৫, ২৫–১৮, ২৫–১৯, ২৫–২০) দা অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা রাজপুট লম্ফেলবু সেট ৩–২ (২৫–২৩, ১৯–২৫, ২৫–২০, ২৪–২৬, ২৫–১২) তা মায়থীবা পীখ্রে।

হয়েং অয়ুক্কী অহানবা মেটচতা রাজপুট লম্ফেলগা এ আর সি শিল্লোংগা, অনীশুবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকা এন ৱাই ভি এ নম্বোল নাওরেমগা পুং ৯ দা শান্নগনি।

নুংথিলগী অহানবা মেটচতা কে এল এল কে ময়াং ইম্ফালগা এ আর সি শিল্লোংগা অমদি অনীশুবা মেটচতা রাজপুট লম্ফেলনা এন ৱাই ভি এ নম্বোল নাওরেমগা নুংথিলগী পুং ১ দা শান্নগনি।

Millennium Institute of Sciences
*Presents for the first time*
**MILLENNIUM SCHOOL**
From 2014-15 Academic Session opening
**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**
From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
**Special features :** AC room for daycare
- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

SL/29/19/B

*Form available from 7th November 2013*
@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.




Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*